# লিএন্দর অমসুং অদিল সমাজদিনগী জুরানা লিওন চেলেঞ্জরসকী দবলস ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০১ :
লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা টেনিস ষ্টার লিএন্দর পেস অমসুং অদিল সমাজদিনগী জুরানা হৌজিক চত্থরিবা লিওন চেলেঞ্জরসকী দবলস ফাইনেল চঙখ্রে।

লিএন্দর পেস অমসুং সমাজদিনগী জুরানা লিওন চেলেঞ্জরসকী ফাইনেলদা হয়েং স্বিটজরলেন্দগী লুকা মার্গোলি অমসুং ব্রাজিলগী কারো জম্পেরি অনীগী জুরাগা থেংনরগনি।

ভেটরান প্লেয়র লিএন্দর পেস অমসুং অদিল সমাজদিন অনীগী জুরানা চত্থরিবা লিওন চেলেঞ্জরসকী দবলসকী টাইটল লৌননবা অকনবা মিৎয়েং থল্লি। থার্দ সীদেদ লিএন্দর পেস অমসুং সমাজদিননা ওষ্ট্রেলিয়াগী জাইন কিল্লিং পিয়র হায়না খঙনরিবা লুকে সবিলি অমসুং জোন পেত্রিক স্মিথকী জুরাবু ৬-৭, ৬-৪, ১০-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

দোল্লর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা ওইরিবা লিওন চেলেঞ্জরস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলগীদমক শেম শারিবা লিএন্দ পেস চৎলিবা সিজন অসিগী ওইনা ফাইনেল চঙবা অহানবা টুর্নামেন্ট ওইরি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অনী দুবাই চেম্পিয়নশিপ অমদি দেলরে বিচ ওপন দা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবনি।

লিএন্দর পেসনা চৎলিবা সিজন অসিদা টুর্নামেন্ট অমত্তদা টাইটল লৌবা ঙমদনা লাক্লি। হৌজিক চত্থরিবা লিওন চেলেঞ্জরস অসিগী দবলসকী টাইটল লৌনবগীদমক অকনবা মিৎয়েং থম্বগা লোয়ননা সীজন অসিগী ওইনা টাইটল লৌবসু হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরবা য়ারি হায়রি।

লিএন্দর পেসনা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা মহাক্কী এ টি পি ৱর্ল্ড টুরদা টাইটল লৌখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবদা টুর্নামেন্ট অমত্তদা টাইটল লৌবা ঙমদনা লাকখিবনি। এ টি পি ৱর্ল্ড টুর অদুগী ফাইনেলদা লিএন্দর পেসনা সাউথ অফ্রিকাগী রাভেন ক্লাসেনবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি।

লিএন্দর পেসনা কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনগী মেন'স দবলস ইভেন্টতা টাইটল লৌখিবা অদুনা মহাক্কী অরোইবা দবলসকী গ্রান্দ স্লম টাইটল ওইরি।

য়ু এস ওপনগী দবলসকী ফাইনেল অদুদা লিএন্দর পেসনা রাদেক ষ্টেপানেককা জুরা ওইদুনা শান্নখি। অমরোমদা মিক্স দবলসতা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈশিংলবা শান্নরোয় অমা ওইনা লৌনরিবা লিএন্দর পেসনা ২০১৫ দা মার্টিনা হিঙ্গিজকা জুরা ওইদুনা তোঙান তোঙানবা টাইটল অহুম লৌবা ঙমখি। মহাক্কী ইকোন কোনবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল অদু মমাঙগী সিজন্দা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপননা ওইরি।

# ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱাগী ষ্টেদিয়মশিং গভর্ণমেন্টনা অকনবা মিৎয়েং চঙখ্রে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০১:
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা চহীসিগী ওক্টোবর ৬ তগী পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী হৌজিক গোৱাগী ষ্টেদিয়মদা শেমগৎ শাগৎলিবা থবকশিং গোৱা গভর্ণমেন্টনা অকনবা মিৎয়েং চঙদুনা মতম চানা লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে।

গোৱা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেদিয়মগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলিবশিং অসি ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী অরুবা তৌদবা য়াদ্রবা মথৌনি হায়না খন্দুনা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎখ্রে।

ঙসি গোৱা গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ষ্টেদিয়মশিংদা শেমগৎলিবা ইন্টরনেসনল স্পোর্টিং ইভেন্টকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং য়েংশিন্নবগীদমক অৱাংবা থাক্কী ষ্টেরিং কম্মিটি অমা শেমদুনা লৌখিবা ৱারেপশিং থবক্তা ওন্থোক্ল বা য়াথং পীখ্রে।

গোৱাগী চীফ সেক্রেটরি ধরমেন্দ্র শর্ম্মনা ষ্টেরিং কম্মিটি অদুগী ময়ায় তাংবল লৌদুনা শেমখিবা হায় লেভেল ষ্টেরিং কম্মিটি অদুদা স্পোর্টসকী সেক্রেটরি, দিরেক্টরেট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুথ এফেয়রসকী দিরেক্টর, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ গোৱাগী সেক্রেটরিসু য়াওরি।

ষ্টেরিং কম্মিটি অসি শেম্বগী মরু ওইবা পান্দমদি পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০১৭ মায় পাক্না পাঙথোক্নবা অমদি মসি পাঙথোকপদা তৌগদবা অমদি চঙগদৌরিবা থবক থৌরমশিং কূপ্না খন্নদুনা মপাঙ্গল লৈবা ৱারেপ অমা লৌদুনা মায় পাকপা অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অমা ওইহনগনি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটি তরুক্তা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা সিটি তরুক অদুগী মনুংদা গোৱাসু খ্বাইদগী মরুওইবা ভেন্যু অমা ওইরিবনি।

গোৱাদা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী য়ামদ্রবদা মেচ মাপন শান্নরবা য়াই হায়না পান্নরি। হায়রিবা মেচ মাপন অদুগী মনুংদা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেচসু য়াওরি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচনা সাউথ গোৱাদা লৈবা ফটোরদাগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা মফমশিং হৌজিক হৌজিক মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা অকনবা মিৎয়েং চঙদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরিবনি। মসিগীদমক্তা মালেমগী ফুটবোল গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানসু ইন্দিয়াগী হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং চৎতুনা কূপ্না য়েংশিনখিবগা লোয়ননা থবক খুমাং চাউশিল্লম্বদা অপেনবা ফোঙদোকখ্রবনি।

# শান্নরোয় অমসুং কোচশিংনা মখা তানা লম্বী শেংখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) :
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলকপা স্বাচ ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সাই এস এ জি সেন্তর খুমন লম্পাক ইম্ফালনা লেপ্পা লৈতনা চত্থরকপা লম-তু শেংবগী থৌরম ঙসিসু খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স চঙফমগী লম্বীশিংদা শিৎ-শেংখ্রে।

খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম চঙফমগী লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈরিবা ফত্ত-হৌদিশিং খোমজিন্দুনা মফম চানা হুন্দোকখিবগা লোয়ননা তরু তনান্না থমখি। শিৎ-শেংবগী থৌরম অদুদা সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী সেন্তর ইন চার্জ দ্রোনাচার্য এৱার্দি এল ইবোমচানা লুচিংদুনা কোচশিং, ষ্টাফ অমদি সাইগী ইনমেটশিংনা শরুক য়াখি। সাইগী কোচ অমসুং ইনমেট ২৫০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লম-তু শেংবগী থৌরম অদু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লীগ য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) :
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ২৮ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ২০১৭ কী লেমহৌরিবা মেচ অনী ঙসি শান্নদুনা লোইশিল্লগনি তৌরম্বা অদু নোং কা হেন্না চুবা মরম্না গ্রাউন্দগী ফীভম ফত্তবদগী মতম কত্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

চত্থরিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট লীগ অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং দি এফ এ থৌবালগা অদুগা অনীশুবা অমদি অরোইবা লীগ মেচ নুংথিল পুং২.৪০ তাবা মতমদা দি এস এ বিষ্ণুপুর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা শান্নগনি তৌরম্বা অদুগী অনৌবা মতম কোন্না লেপলক্কনি হায়না অম্ফানা খঙহল্লক্লি।

HL-P/1010/03/03-6/04




# জমুনানা চহী ৫৫ মখাগী লোংজম্পতা গোল্ড লৌরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) :
হৌখিবা মার্চ ২৪ দগী ২৭ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী এলাহাবাদতা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেসনল মাষ্টরস এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক চেরাপুর লৈকায়দগী থোকচোম জমুনানা লোংজম্প মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌরক্লে।

মশাগী চহী ৫৫ শুরবী থোকচোম জমুনানা মিটর ৩.২৯ স্কোর তৌদুনা ইন্দিয়াগী মকোক তাদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি। চেরাপুর য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব খাঙবোক অমসুং কন্সোলিদেটেদ য়ঙ স্পোর্টিং এসোসিএশন খাঙবোক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মাষ্টর এথলেট ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড লৌরকখিবী জমুনা চৎলিবা চহী অসিদা পাকিস্তান্দা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদৌরি।




HL-P/1221/29.3.12...14




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3779/23/32-24/4







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com